# য়েৎনবা, মুক্নবা, খুন্নাই

## কন্সত্রক্তিভ এপ্রোচতা চঙশিনবা তাই

পুন্সিবু ঐখোয়না করম্বা এঙ্গল অমদগী য়েংলগা মশক লেপকনি? আইদিয়েল কন্সেপ্ট অমসুং তেংবানবগী রিয়ালিটি অনি অসিগী থোং মান্নরবা অপূনবা ৱাখল্লোন অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা মীওইবনা পুন্সিগী ক্রিটিকেল ওইরবা প্রোব্লেম কয়াগী ৱাখৈ অমা পুরক্নবা হোৎনফম থোক্তব্রা? ৱাহংশিং অসি ঙসিগী রাজনিতিগী, অর্থনিতিগী অমসুং ইথক-ইরৈ কল্লবা কলচরগী রিভোল্যুসন অমগা মায়োক্নদুনা হিংলিবা মীওইবা জাতিনা কুপ্না খন্ন-নৈনবগী মথৌ তারক্লে, মরমদি মসিনা গ্লোবেলাইজেসনগী য়াওলদা কনাগুম্বা লৈবাক নত্রগা ফৗরূপ অমনা মায় পাক্না শরুক য়াবা ঙম্বা নত্রগা ঙমদবা হায়বদুগী  অরেপ্পা ৱারেপ অমা লৌনবা চাউরবা ফেক্টর অমা ওইরক্কদৌরি। মীওই অনি শুনা তিন্নবা য়াদবা, অমত্তা ওইবা অপূনবগী কলচর অমা শাগৎপা ঙমদবা অমসুং কল্লেক্তিভ লিদরশিপকি চৎনরোল লৈতবা খুন্নাই অমনা গ্লোবেল ভিল্লেজ অমগী মতমনা পুরকপা ঈচেলদা তিনবা হায়বসি ওইথোক্তবনি। ঐখোয়না মপাঙ্গোংদা দেমোক্রেসি, য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি, হ্যুমেনিজম অমসুং গ্লোবেলাইজেসনগী ফজ ফজরবা ৱাহৈ- ৱাতা কয়া ঙাং-শক্লগা তৌথোক্লকপা থবক্তুনা দেমোক্রেসিবু মশক থীহন্নবা, কাঙলূপকি ঈরাং থোকহন্নবা, মীওইবগী লোনচৎপু জঙ্গলগী মতু পানবা শা-কৈগী তমথিরবা শাজৎশিংগা চপ মান্ননা উহন্নবা অমসুং মালেম অসিবু অপূনবা ইমুং-মনুং অমা ওইনা লৌনরকপগী ইভোল্যুস্নরি প্রোশেস অমবু মনীং হলহন্নবা হোৎনবা তারবদি, মদু মীওইবা জাতিগী ওইনা, থোইদোক্লা, অদুগুম্বা, পুন্সিবু আইদিয়েল অমসুং রিয়ালিটি অনিগী থোং মান্নরবা এঙ্গল অমদগী য়েংদুনা মশক তাকপা পামদবা লৈবাক নত্রগা মীওই কাঙলূপ অদুগী  য়াম্নমক লাইবক থীবনি।

মীওইবগী চাওখৎ-খোঙহৌগী পুৱারীক ওইরবা তোরৈ-তুথেক কয়াদা মশেক-মঙাল চাউনা শক্তাকচখিবা সিভিলাইজেসন পুম্নমক নিংথৌগী অশুপ্পা শক্তি খক্তনা পুথোকখিবা পোথোক নত্তে হায়বসি ইতিহাসনা শাক্ষি ওইদুনা লৈরি। গ্রীক অমসুং রোমান সিভিলাইজেসন হায়রগা ঐখোয়না এরিষ্টোটল, প্লেটো অমদি রিনাশাঁগী য়ুম্ফম থোনখিবা ইন্টল্লেকচুয়েল কয়াগী ক্লাশিক ওইরবা আইদিয়া কয়া অদুবু খঙনরি। অসিগুম্বা আইদিয়াশিং অসিনা য়ুরোপ শীনবা থুংনা মোদর্নিজমগী অনৌবা য়াওল অমদা মীৎকপ থোকহনখিবগা লোয়ননা কোলোনিয়েলিজমগী খুথাংদা এশিয়া মহাদেশ য়ৌনা অনৌবা মতমগী লৈঙাক্লোন, দেমোক্রেশি, সোশিয়েলিজম, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং গ্লোবেলাইজেসনগী য়াওল অমা তপ্না তপ্না মরু হুনবা হৌখি। য়াওল অসি মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাউ মতুংদগী অমুক্কা হেন্না খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা ঙসি ২১ শুবা চহীচা অসিদা মশক ওইনা উবা ঙম্নরক্লবা ৱাখল্লোন অমা ওইরক্লি। মতম কুইনা ইতিহাসকি তাঙ্কক কয়াদা চীংদা শাৎপি ইঙৌল্লেগুম কনা খঙদা, কনা উদনা লৈরম্বা অৱাং-নোংপোক লমদমগী চীংলৈবাক মণিপুর য়ৌনা লুক-ইষ্ট পোলিসিনচিংবা পায়খৎতুনা মপানগী সংশারগা অমত্তা ওইহন্নবা খোঙজঙ অমা চঙশিল্লক্লি। তাঞ্জা অসি লৈঙাক-চূপ্পী পায়রিবশিং অমসুং মীয়াম পুম্নমক্না য়াম্না চেকশিন্না অমসুং মীৎকুপ-নাহুমশিংনা শেন্নহৌদ্রবদি ইতিহাসকি লমায়দা মণিপুরিশিংগী থোইদোকপা চন্নফম করিশু লৈরোই। নারক-মোংশোংদা মথন্তা শাৎলগা মথন্তা কেন্দুনা কনানশু মশক খঙবীবা তৌদনা অরেম্বদা মাঙখ্রবা ইঙৌল্লেগা পাঞ্জক ওইনা অদুম্মক হিংবা তাবনি। মরম অসিনা খুন্নাইগী য়েৎনবা অমসুং মুক্নবা পুম্নমক কন্সত্রক্তিভ ওইবা এপ্রোচ অমদা চঙশিনবগী মথৌ তারি।